# কোভিদ-১৯গী মতুংদদি মীওইবগী অনৌবা লাইফষ্টাইল অমগী মশক স্ক্রিপ্টতা থেংনরগনি

- নানি -

হৌজিক লৈরিবা পেন্দেমিক অসি পাক লোইগদৌবা মান্দে। অনৌবা ভেক্সিন পুথোক্তুনা মীয়ামগী মীপাইনবা অমদি লাইচৎ অসিনা ময়েং তারক্লবসু মীওইবগী পুন্সিরোলদা লেংদনা লৈহৌরগদবা খরগী মনুংদা, মীওইবগী হেবিচ্যুএল-বিহেবিয়র অসি শোইদনা ওইরগনি হায়না খল্লি। মালেমদা লৈরিবা কাঙলূপ ফুরুপ খুদিংমক্কী, মশাগী ওইজবা মরন্নাইগী ওইবা চৎন-কাঙলোন অমদি লাইনীং লাইশোনগা মরী লৈনবা, কলচরগা শাগোন্নবা চৎনবী কয়া অমা থাদোক্লবা য়াদনা লৈ। অদুগুম্বা চনিবীশিং অদুদগী থুগাইরগা অনৌবা পুন্সিগী অমদি মীওইবগী অনৌবা মান্নরপ তৌবা চৎনরোল অমা শোয়দনা দিভলপ তৌরক্লগনি হায়না খল্লি। মরমদি পেন্দেমিক অসিনা মরম ওইরগা মীওইবগী পুন্সিরোলদা মান্নবা চৎন-কাঙলোন, মান্নবা ৱাখল্লোন কয়া অমা থা খরা অসিদা দিভলপ তৌখ্রবনি।

মতমগী মতুংইন্না শোয়দনা পেন্দেমিক ওইনা লৈরিবা কোভিদ-১৯ অসিসু শোয়দনা লোইশিনবা অমদি নাইরক্কনি। অদুবু ফনমক ওইরবসু, মথক্তা পনখ্রিবা হোংলকপা য়াবা চৎন-কাঙলোন অসিগী মথক্তা লাক্কদৌরিবা অমা হায়বা তারবদি, মাঙখ্রবা মতম অমদি মসিগী মনুংদা লৈখা তাখিবা ইকনমি, পুন্সিগী তাঙলবা মীকুপশিং অমদি পুৎথহৌরবা শিন্থারোল কয়া অসিদা অনৌবা মীৎয়েং অমগা লোয়ননা সাইন্টিফিক ওইবা মওং অমদা শোয়দনা অনৌবা সিল্লম খরদি থোরক্লগনি। মসিগী মমি অসি শোয়দনা ফিল্মদা, ঠিএটরদা, লীলাদা, ঈশৈদা অমদি অতৈ পর্ফোর্মেন্স কয়াদা শোয়দনা উবা ফংলক্লগনি। মসিগী অহোংবা মরক অসিদা লৈরিবা ইন্টরটেনমেন্ট কলচরেল প্রদক্সন খুদিংমক্তা হান্নগী মশক্তগী অনৌবা উবা ফংনদ্রিবা মশক অমা শোয়দনা থোরকপা য়াবগী থাজবা লৈ। হৌজিকমক্তদা তোঙান



তোঙানবা কাঙলুপশিং অমদি লৈবাকশিংনা মখোয় মখোয়গী ফিল্মগী প্রদক্সন ষ্টাইল অমদি ন্যু স্ক্রিপ্ট কয়াগী মতাংদা ৱা খন্নবা হৌনখ্রে। অনৌবা ইন্দিয়ন ফিল্ম ইরাগী আর্কিটেক্ট অমনি হায়না ফাওবা লৌনরিবা আনন্দ গান্ধীগী নৌনা থোরক্কদৌরিবা **"Emergence"** হায়বা সাইন্স ফিক্সন ফিল্ম অসিদা অনৌবা আইদিয়া খরা ফংনরগনি। ৱাফম অসি আউটলুক মেগাজিন অমদা ফোঙলকখিবনি। আনন্দ গান্ধী মমাঙদা মমিং লৈরবা ফিল্ম অহুম পুথোকখ্রে। মসিগী মনুংদা ইন্দিয়ন ফিল্মগী গেম অমনি হায়না মমিং লৈরবা এক্টর আমির খাননা হায়রিবা ***Ship of Theseus*** ফিল্ম অমদি ***Tumbaad*** হায়রিবা মহাক্কী ইহান হানবা ফিল্ম অসিসু ইন্দিয়ন ফিল্মগী মাষ্টর পিছ অমনি হায়না ফাওবা হায়নরিবনি। অদুগা অহুমশুবা ফিল্ম



**An unsignificant Man** হায়রিবা পোলিটিকেল ফিল্ম অসিসু য়াম্না চেলেঞ্জিং ওইবা ন্যু আইদিয়া অমদা কন্সেপ্ট তৌখিবা ফিল্ম অমনি। হন্দক নৌনা পুথোরক্কদৌরিবা ফিল্ম **Emergence** হায়রিবা অসি মহাক্না **Ship of Theseus** ফিল্মগী আইদিয়া শাগৎলকপদগী হৌনা মহাক্কী কোক্তা লৈরক্লবা বাইলোজিকেল সাইন্স ফিক্সন অমখক্নি। মতম কুইনা মসিগী আইদিয়া অসি প্লোট ওইনা দিষ্টিল্লিং তৌরগা হন্দক্তা নৌনা সুটিং হৌরকপনি হায়না দিরেক্টর অসিনা থল্লিবনি। দানিয়ল দে লেৱিস, কেট ব্লাঞ্চেট অমদি হুগো ৱিভিং হায়রিবা হোল্লিৱুদ এক্টরশিং অসিনা ইনফ্লুয়েন্স পীখিবা দিরেক্টর অসিনা হন্দক্তা ইর্ফাননা লৈখিদবা অসি ইন্দিয়াগী ওইনদি য়াম্না অচৌবা মাঙজবা অমনি হায়না শীংথাখি। এক্টর অসিনা মহাক্কী পর্ফোর্মেন্স অদুগী দেষ্টিনেসন অদু য়ৌনবা মহাক্কী ওদিয়েন্সিংবু অচৌবা ব্রিজ অমা শেমদুনা পুরক্লগা ইকোন কোনবদা এক্টর অদুনা উৎনিংলিবা পান্দম অদু ফংহনবা ঙম্বা অতাঙবা এক্টরশিংগী মনুংদা অমনি হায়না থমখি। এক্টর অমগী প্রক্টিস অসি কয়া য়াম্না কনবগে, তৌফম থোকপগে হায়বা অসি মহাক্না খুদম ওইদুনা মীয়ামদা তন্বীরম্মী হায়নসু মহাক্না তাখি। মখা তারকপদা মনোজ বাজপায়ী হায়রিবা এক্টর অসিনা ইর্ফানগী খুদুং ইন্দুনা কয়া য়াম্না শান্না চৎপা ঙমগদগে হায়বা অসি য়েংবা তারি হায়না পল্লি।

মণিপুরদসু হন্দক ওনলাইনদা সোর্ট ফিল্ম নম্বগী চাংদম্নবগী মতাংদা থেংনরে। নম্নরে, পুথোক্লরে, কোভিদনা থেংনরিবা প্রোব্লেম, ইকনমি ঙাক্তদা য়ুম্ফম ওইবা মদুদা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়া শেমগৎ শাগৎলগা ট্রেজেদি তাহন্নবা অরিবা ফোর্ম্যুলা অমদা অয়াম্বা পুথোক্লবা থেংনরি। খরা হেন্না হকচিন্না য়েংবা মীৎয়েংদা ফিল্ম নম্নবা অমদি ৱারী শেমগৎপা মথৌ তাই। কোরোনাগী পেন্দেমিক অসিনা অনৌবা চৎন-কাঙলোন অমা মীওইবদা তন্বীরক্লি। মথাই থায়না মমাংঙৈদা ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা মীগী ময়ুমদা চৎপা মতমদা তোংলকপা খুরুম চম্পল মীগী শুমাং মতোন্দা থনম্লগা চঙলকপা থেংনৈ। অদুবু খরা লৈরগদি চুরি তাফমদা, মাঙ্গোল কাবগী ষ্টিয়র মচিন্দা থনম্বা য়াওই। অদুবু য়ুম্বুনা মীনা খোঙউপ লৌথোক্কে তৌরবসু *ইহ য়ারে য়ারে, য়াওজসনু, হেক্তা কাখৎপীরকউ* হায়না হায়বা থেংনরে। অদুনা লাক্লিবা মীদুনসু কায় কায়দা চৎলুরবা খোঙউপতুগা মীগী ইমুংদা জম জম চঙশিল্লকপা অসি চৎনবী অমা ওইরক্লে।

মসি কোরোনানা থুগায়রগনি। চাক চারমদাইদা খুৎ হাম্বা হৈজদবা ঐখোয়গী লমগী মীশিংদসু চারম থক্লমদাইদা অমদি অতৈ পোৎচৈ পায়রুরগা করম্না খুৎ হামগদগে হায়বা অদুসু নৌনা চৎনরক্কদৌরি। মসি হান্না লৈরম্লবা ঙাক্তনি। মী অমগা মী অমগা থেংনবা উনবা মতমদা অনৌবা কাঙলোন অমগী মতুংইন্না সোসল হায়গেরা ফিজিকেল হায়গেরা দিষ্টেন্সিং থম্নদবা য়ারোইদৌরি। মসিনা কোরোনাগী ৱা ঙাক নত্তনা য়াম্না কান্নবা অমা পুরক্কদৌরিবনি। রোমান্স সিন উৎপা মতমদা কা হেন্না নকশিন্নবা, হকচাং হকচাং থেংনবা অমদি নুংশিবা ফোঙদোক্লবগী মওং মতৌ শাথিনা অহোংবা পুরক্লগনি। মমাংঙৈ মতম অমদা ঐখোয়গী লমসিদা চৎনরম্লিবা ফজখ্রবা নুংশি নুংওনগী চৎনবী অদু শোয়দনা হঞ্জিল্লক্লগনি। নুংশিরসু নুংশি হায়না ফোঙদোকপা ঙমজদবা, নুংশিববু য়াম্না চেকশিন্না য়োকচবা, মদুগী নুংওনবা মহাও অদু ঙসিগী খুন্নাই অসিদদি লৈত্রবনি। মদুগী মহুৎতা লৈশাবী অমগা পাখং অমগা নুংশিনরিনি হায়দুনা লৌবুক্তা, লম্ফাংদা, কাদা, অচিকপদা, লোন্না ফম্মিন্নবা, উনবগা মশা-মশা পায়নদুনা য়াম্না কা হেন্না নকশিন্নবা উবা ফংলি। মতমদুদদি নকশিন্নবদি লাইরদনা, মীৎনা য়েংনবা ফাওবা হুমাং কাংনরম্মীবনি। মদুগী ফজরবা কাঙলোনশিং অদু হৌজিক ফিল্মদা নৌনা পুথোকপদা ফিল্মশিংদা মমি শোয়দনা তারক্লগনি। মায়কৈ অসোমদা ফিল্ম পুথোক্লগদৌরিবশিংনসু শোয়দনা মীৎয়েং থম্নরক্লগনি। অরিবা হঞ্জিল্লক্লবগী তাঞ্জা অমা শোয়দনা ফংলগনি। মায়কৈ অসোমদা খরা হেন্না কুপশিন্না য়েংবা মীৎয়েংদা ফিল্ম পুথোক্লরগনি।

লোকদাউন মনুং অসিদা ফিল্মগী ওর্গনাইজেসন কয়ানা হৌজিক থেংনরিবা প্রোব্লেম কয়াদা য়ুম্ফম ওইদুনা ৱেবিনার সেমিনার কয়া



পাঙথোক্তুনা খন্ন-নৈনবা পাঙথোক্লরি। মসিগী চাউনা কান্নবা লৈ। মখোয় মখোয়গী প্রোব্লেমশিং পুথোক্লদুনা খন্ন-নৈনরি। ওনলাইন ফিল্ম ফেষ্টিভেল কয়া অমসু পাঙথোক্লরি। অনৌবা ফিল্ম নম্নদুনা ফেষ্টিভেল শীন্নবসু য়াওরি। অদুবু ফিল্ম হায়বসি সেলফি ষ্টাইলদা নম্বা য়াদবনিনা, ফিল্ম অমগী ফজবা এস্থেটিক অদু য়াওনা ফিল্ম পুথোকপা চঙই। ঐখোয়গী ফিল্ম মেকরশিং অমদি প্রদ্যুসরশিংনা য়াম্না চেকশিন্না অনৌবা মখলগী ফজবা ফিল্ম কয়া পুথোক্লবগী ৱাখল খন্নবা শোয়দনা হৌরম্লগনি। অনৌবা মখলগী স্ক্রিপ্ট অমদি ফিল্ম পুথোক্তুনা মণিপুরী ফিল্মগী ফজবা অনৌবা মশক অমা শেমগৎহৌনবগী তাঞ্জা লৌহৌবা চুম্মী।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৯। ০৮। ২০২০ ইং, নোংমাইজিং ;
থৱানগী ২১ নি পানবা।

**মেষ :** নীংথিনা ঙাংবা অমদি পোরম য়াৎপা হৈগনি। য়েক্লববু লায়না লাকশিনগনি। অশাওবা, ফিংবা, মরুপ য়াম্না লোয়নবা অমদি থৌয়াম পুবদি মাংজবতা লৈগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ঙাংথোকপদা রাশি য়াওগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা

**বৃষ :** পূক্লিংনা নীংবদো পাংহৌরো-মায় পাক্কনি, নরলতা নত্তনা নচা-ননাইসু চাওখৎকনি। অদুবু নথক থোংবনা য়েংশিনবা অমদি লৌশিং খরা ৱাৎপদি লোয়নগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা থুংই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/ফৌ

**মিথুন :** শকখঙদববু লোয়নদ্রবা অমদি মী হেন্না থাজদ্রবা নঙবু মায়থিবা পীগদবা লৈতে। মীগী মতেংনা থবক পাংগনি, হকচাং খিংগনি, অমদি লৌশিং চাওখৎকনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবনা চানবী।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক

**কর্কট :** পাংথোকনিংবা কয়া লৈরসু মরিল লৈনা পাংবা ঙল্লোইদবা অমদি নীংবা মপা চারোইদবা নুমীৎনি। তপথৌ, খূৎ চাওগনু অমদি মীয়াম কায়নদনবা হোৎনৌ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মতম ঙাইবা ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ /চিনি অঙাংবা

**সিংহ :** ৱানোম্বা অমদি মরুপ লোয়নবদা থৌনা ফৃদোকপা য়ারোই। ইমুং-মনুংগী ৱা লৌবা অমদি অরং-অরাক তানবগী লম্‌দদি মায় পাক্কনি। মীনা থাগৎপীগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা মপা চারোই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা

**কন্যা :** য়েৎনবদা য়াওরুনু মরমদি য়েক্লবনা পাঙ্গল্লি অমদি চীন য়াঙগনু। অদুবু লাইবক ফবনা মায়দি পাক্কনি, শেল-থুমগী লম্‌দা খূৎচাও থাবা হেন্নদুম কান্নগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবনা চানবীগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক

**তুলা :** হন্থবা লোয়নরদি ফত্তবা ৱাখল খল্লকপা অমদি ফত্তবা চীঞ্জাক চানিংগনি-মদু থাদোকপা ফৈ। মীকোক থোংবা ঙম্বা পাইরক্কী লৌশিং লৈ , মীয়াম্না চানগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা থুংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক

**বৃশ্চিক :** ফিংগনু, ঙম্লি-ঙল্লোই খঙদনা থৌয়াম পুগনু অমদি লাই গুরুনা চানবীবা ৱাৎলি। খোঙফম অমা-অনী হন্দোকউ। তুংদা মায় পাক্কদবা মরম লাক্কনি। তপথৌ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - অশাওবনা মাংহনগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ/চিনি অঙাংবা

**ধনু :** থবক পাংবগী নুংঙাইবা, কোক থাদরগা নীংথিনা পোরম য়াৎথোকপা ঙমগনি। মদুনা তুংদা খন্নবা য়ানা চাওখৎকনি। য়েৎনবা অমদি অহৈ-অশিং শাবদি য়াদে।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ঙাংথোকপদা তানিংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/য়াইঙং

**মকর :** লৌশিং ৱাৎপনা কায়নবা য়াবা, মীয়ামগা মরী ফবা ৱাৎপা অমদি অনীংবা থবক পনবা লৈরসু খন্থরগা পাংবা থবক্তুদি মায় পাক্কনি, লনসু শোয়দনা চঙগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ৱাখল ঈংলনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/ফৌ

**কুম্বা :** হোয়া ফবা অমদি খূৎচাও থাবা তৌগনু-য়াইফগনি। হনবা লৈতনা মাংলোমদা চঙশিল্লে, লৈঙাক্কী লম্‌দসু মীনা লাকচবা ঙল্লোই, মীয়াম্না ফনা শোন্নে।
**লৈশা পাখংশিংগী** - হান্নগুম ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা

**মিন :** চিংনগনু মায় পাক্কনি। নচা-ননাই লোয়নবা কান্নগনি অমদি মীনা ইনশিনবা লৌদনা অনীংবদুদা পাংনবা হোৎনৌ। শাওবদি য়াদে, অরং-অরাক চেকশিল্লু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - চীন য়াওগনু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## হুইয়েন জোক্স



**ওজা :** মণিপুরী লোলবু করিগীদমক ঈমালোল হায়রিবনো? ইপালোল হায়দ্রিবা করিগীনো?
**চাওবা :** মরমদি ঐখোয় ঈমানা পাবুংবু কৈদৌঙৈদা ৱা ঙাংনবগী তাঞ্জা পীদে।



---

**টিচর :** অকনবা নোংলৈ নুংশিৎকা লোয়ননা নোং চুরি, হায়বসি ফ্যুচর টেন্সতা হায়য়ু।
**তোম্বা :** ঙাইহাক লৈরগা মৈ মুৎখ্রগনি।

---

**মপা :** ইবুংঙো লুপা ৫০০০ সে লৌশিল্লু।
**মচা :** করিগীনো পাবুং সিদি?
**মপা :** ইবুংঙো নঙগী অৱামলগী মহয়নি। মরমদি নঙনা মোবাইল হেক পায়বা হৌখিবদগী নুমিদাং য়ুম ঙাক্লবা সিক্যুরিটি থমদ্রসু য়ারে।



---

**ওজা :** চাওতোন, নঙ করিগী হোম ৱর্ক তৌরক্ত্রিবনো?
**চাওতোন :** ঐ হোষ্টেলদা লৈবনে।
**ওজা :** হোষ্টেলদা লৈরদি কৈদৌরবা?
**চাওতোন :** হোষ্টেলদা লৈনা-লৈনা কমহাইনা হোম ৱর্ক তৌবা ঙমগদৌরিবনো? ওজানা হোম ৱর্ক পীবগী মহুৎতা হোষ্টেল ৱর্ক ওইনা পীরদি ফগদবা।
**ওজা :** ও! অদুদি খূপাক চাও ....!

---


*মপানা মচানুপাদা শাওরদুনা হায় - নঙ থবক অমত্তা চুম্না তৌবা ঙমদে। নঙোন্দা নুংশি হীদাক লৈরকউ হায়রগা তুনিংকোক মনা ওইনা লৈদুনা লাকই। নঙগুম্বা অপঙবা অঙাংসিদি য়ূমদা লৈহল্লোইদবনি, তাম্থোকপনা ফৈ।*
**মচানুপা :** অদুদি পাবুং ঐখোয় অনীমক পূন্না চৎলসি।
**মপা :** ঐদি কৈদৌবগী চৎকদৌরিবা ?
**মচানুপা :** ঈমানা হায় ঐনা লৈরক্লিবা অসি নুংশি হীদাক অমদি তুনিংকোক মনাসু নত্তে, ফদিগোমনি হায়!



---

**টিচর :** 4 গী তংখায় খায়দোক্লদি কয়া ওইনি?
**অশিংবা মহৈরোয় :** ফৈনা খায়দোক্লগনা 0-0 ওইগনি। অদুগা য়ূংনা খায়দোক্লগনা 3-3 ওইগনি।
*ৱাহং হংখিবা ওজা অদু হৌজিক ফাওবা কোমাদা লৈরি।*

☞ পীরিবা ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ অসিদা স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা মশানা য়েকচবা ড্রোইং, ইজবা শৈরেং অমসুং জোক্স থাবিরকউ। থাবিরকপশিং অদুদগী খ্বাইদগী ফজবশিং খনগৎলগা ফোঙজগনি। থাবিরকপদা মীং, লৈফম অমদি ক্লাস য়াওহনবীরকউ।




Title: Thangal General
By: Chingthang
Class: V Sec: Roll No.
School: Shishu Nistha Niketan



Title: Mahadev
By: Elambam Prasan
Class: V Sec: Roll No. 3
Address: Jiribam Babupara



Title: Girl
By: Kathryn Ningombam
Class: I Sec: Emerald Roll No. 3
School: Heritage Convent



Title: Apple
By: Ingudum Lanthoiba Meetei
Class: KG-II Roll No.
School: Nirmala House, Imphal



Title: Snow White
By: Paikhomba Huidrom
Class: III Sec: Roll No. 1
School: Uchiwa High School (Aided)




Title: Scorpio
By: Ingudum Paikhomba Meetei
Class: VII Sec: Roll No.
School: St. Joseph's Hr. Sec. School



Title: Eagle
By: Trishil Laishram
Class: I Sec: Daffodil Roll No. 3
School: SL Arena of Learning



Title: Girl
By: Trishini Laishram
Class: I Sec: Daffodil Roll No. 4
School: SL Arena of Learning



Title: Micky & Donald
By: Chara Laoringkham Tarao
Class: VI Sec: B Roll No. 36
School: